“নহাক্না নোং-নুংশিৎ খাম্বা ঙমদে হায়দুনা হি হুন্দোক্লম্বা হৌনদে।”
-Thomad More, Utopia

ꯁꯩꯔꯦꯡ

## মীরা শারা
— **নিংথৌজম বিমোলা**

মীরা শারা নখোয়সে
মীসু মাল্লি শাসু মাল্লি
করম্বা মখলগী মীওইবনো।
মীনুংশি অদুক খঙদবা
শা ওল্লগনা শাগী মরক্তা
মী ওইরগনা মীগী মরক্তা।
শাহিং চাবা নখোয়দি
শা হাৎলগা চাও
মীওইববু করিগী হাৎলি।
মী মরক্তা লৈরবদি
মীগী ৱাখল খনবা তম্মু
মীনুংশি লৈয়ু।
নয়ুমসু লৈতবা নখোয়না
মীবু হাৎলগা মুল্লগা
লৈগনি খল্লিবা অঙকপনি।
ৱাখল খন্থৌ মী
ওইনা পোল্লবদি
মীগী ৱাখল খল্লু।
মুল্লগা চাগনি
হুরাল্লগা চাগনি
খল্লিবা নখোয়সে।
করম্বা করি লমদগীনো
মৈতৈ ঐখোয়দি মুল্লগসু চাদে
হুরাল্লগসু চাদে।
শেন্বীবা মপু মানসু য়াদে
নখোয়গী জিষুনদি হুরাল্লগা
মুল্লগা চাও হায়রম্বরো।

## নোং নঙসু কুকিগী মীচংদা লেপ্পবা
— **বী মঙাং**

ইশা ইশাগী ইয়ুম থাদোক্লগা
থৱায়দং হিংজনবা চেল্লকপা
কয়াদি ৱানা লেল্লে পূন্সিসে
পূন্সি চেঙজেল লোইখিবা কয়ামসু য়াওরবনি।
হিংদ য়াদবনিনা হিংনবা
মীগী লৌ শাল্লগা লৌ উরুই
মান্নরগা ঐখোয় অমা অনী
লাল্লকসিদা শিরগা শি, চঙলগা চঙ
থৌনা ফনা ইতু-ইচা থাক্লবা
আশা অমদা খরদি শাফরনি খন্দুনা
নীংশিংলকই হৌখ্র মতমগী ৱারী
ঙরাংদা ওইরবোই নীংই, নুংশিরকই
অসুম্না লান থোরক্কনি থাজরুদে
লৌরোক মতম য়ৌরক্লে
নীংতম্না চৎথোক-চৎশিনসু য়াদ
ইশাগী ইরমদম ইরৈপাকসিদা, কয়াদা তোল্লবা!
কুকি জো মিলিটেন্ট মীফৎতশিংদি
য়েলহৌমী মীতৈশিং তুম্না হাৎনবা তেমশিংলি
মঙফাওনরোইদবা মঙলান শাগৎলি
চীংদোলদৈ কাপথরকপা বোম্না লেপ্পা লৈতনা
লাঞ্জদবী কয়া পূন্সি পিখম্নখ্রে
লৈঙাক মপু লৈ হায়বদু মঙায়
কৈদৌরুনি মরূ কোল্লবা চীংজাওগুল্লি
পোইনু লৌরোক থা অসিদা
ৱাহিক্লা অমুক লৌবুক্তা লান্দারিঙৈসিদা
নোংসু অমুক লৌবুক মায়কৈ তল্লকই
খাকপগা লাউবগা নোংজু থাগুম
নোং নঙসু কুকিগী মীচংদা লেপ্পবা।

## কৈগী য়াথোঙ লোনহল্লোইসি
— **গোপেশ্বর ঔগ্রিথেনবা**

কদায়-কদায়দগীনো খঙদবশিং
খুল্লানবা ওইনা লাকখি
ঙক্তা শা-কৈগী ময়া পরেং শিবা
য়ুন্নাই-খুন্নাইদবা মখোয়বু
য়ূমথুংহল্লুবনি তরাম-তরাম
সলাই তরেৎকী ইঙ্খোল চাইগোন্নুং’সিদা।
ইতাও-ইতাও কৌদুনা খোঙ থাংজিল্লকখিবা
ইচোক চোকথরবা খুল্লাল্লকপশিং
অৱাবা হন্দোকচসনু খল্লুবা য়ূম্বুনা
য়ারেকহল্লুবনি নোংমা-নীনী
শঙ্গোয়দা, মাঙ্গোলদা
মতম খজিক।
চমথোক-হৈবা পূকচেলনা
মীওক-মীচানগী লেংগোন চেৎলুবা
নুমীৎ-থা-চহী অসুম-অসুম
ফাই-ফাইদুনা লৈথরকখিবা
নুংদা লীরোল-চৎপা সাইদাংলোয়শিং
শাবূক-ঙাবূক্কী লীচৎ খূমাঙ-লাল্লকপা
চানমক্লা ওইরে হৌজিক্তি
ঊচিদগী ওনখিবা কৈ’দু।
লমশাগী শাজৎ কায়দনা
য়োকপী-থাকপীরকপা মপুদা শংত্রীক য়েংলগা
খোঙফম শেম-শেমদুনা
শাথূপ হোং-হোংদুনা
চেগপ চোংবা হৌরক্লে।
কৈ ওইরবগী হৌনশা
কিহন-খংহনবা শকফমগা
চোংশিন-চোংশিন্দুনা শারাক তল্লক্লে।
সলাই-চা ওইবা ঐখোয়
কৈগী য়াথোঙ লোন্দ্রিঙৈ
কৈবন শাদুনা কৈ চনসি
কৈ ফারগা ময়া কবাক খল্লসি।

## ফিদম
— **ৱাহেংবম থোইবা**

পীথোকপা কথোকপা খুদিংমক
অমাঙবা ওইনা লৌবদি লানগনি
খুদোংচাবা ফংলবদা লৌশিনবা
পোরম থৌদাসে অশেংবা ওইদে
চৎলিবা তাইবঙগী খোঙচৎনুং
ৱাহৈ অনী পোৎশক অনী
অনী অনীনা খুজিং ওই
থেংনরি উরি ফম্বাকসিদা
লৌশিনগনিতা খনবা থম্মোয়
হিংবগী খুরবা থৌদানি।
চৎলিবা লম্বীনা খুরবদা/শুক্লবদা
করিসু ওইদবা লন-থুম্না
ঙাইহাক হিংবগী নুংঙাইবনা
অপেনবা নুংঙাইবা শক্লবদি
লন-থুম ওইবগী মায়কৈ য়াম্বনি
কথোকপা থাদোকপা লৌনীংদবসিসু
মাঙবা য়াদবা অশেংবা লননি।
হোৎনবা খাঙবা কনবনা
পূন্সিগী ফিদম ওইরবদি
অৱাবা কোঙ্গাই থেংনরবসু
নান্থোকপা মতম লাকপনি
লৈরমদবা পোৎশক কয়াসু
লায়না ফংবা ওইবনি
মসি খঙজদবা কয়াদি
লায়না হিংবা পূন্সি খোঙচৎপু
হেন্না হেন্না লুশিল্লক্তুনা
অফবা শক্লোন লাক্তবনি।

## হায়য়ু নঙবু কনানো!
— **রাজকুমারী মীনা**

উরিনা উপালদা পামজনা য়েৎপগুম্না
পান্নৈ নঙগা নুংশি-চান্ননা তিন্নজবা।
ওন্থোক্লা কনখ্রে নঙগী মহী-ময়াইসে,
নঙগা নক্লনা তীন্ননবা হোৎনবদা
মমা-মচা, মচে-মচল, মচা-মশু
মন্তিক্লদনা য়োন্থোকপদা করিসু হালেঙনদ্রে।
নঙতবু ফংলবদি হায়না খল্লগা লৈবনা,
ওইদবা কয়া অওইবা মান্না ঙাংদুনা,
হাইরি, লীরি, চৎলি, থিরি নঙবু ফংননবা।
ওন্থোক্লসু কনখ্রে নঙগী নগুণসে,
মীওইবা কয়াবুসু শেৎনা খাইনহল্লি।
মীৎলুদা পিরাং লাইনা শীন্থহনবসু ঙম্মী,
পূম্নমক শোয়নাইহন্দুনা ওৎ-নৈবসু ঙম্মী,
অমুকসু পূম্নমক অমত্তা ওইহনবসু হৈ।
নঙগা লোয়নবদি কুচু কুমেন থোকহন্দুনা,
তাইবঙ কনাবু মোমোন মীনোক তমহল্লি।
শিবা নায়বা মীওইপোক্লি খঙনরবসু,
নঙবুতা ফংনবা হোৎনৈ অশিববু নাচুংদনা।
তীন্নরুবা মীকুপ্তা ফজদবা কয়াসু ফজহল্লি।
নুংঙাইরমদবা কয়া নুংঙাইহল্লি, হরাওহল্লি।
মানা নঙবু লায়না ফংননবা হোৎনরকপদা,
অমগা অমগা য়ৈথৎনহল্লি, কায়নহল্লি
নঙবু উবদা নোক্লমদবা কয়াসু নোকহল্লি।
নঙগা লোয়নগনি খনবদা হরাওদুনা কপ্পকই,
নুমিৎ খুদিং পুজা তৌদুনা ধুপ থাওমৈ থানরি।
অচোপ-অরেং, খা-রাই, মায়কৈ-সলাই খঙদনা,
নঙবু ফংননবা তান্নরিবা - হায়য়ু নঙবু কনানো।

## তপথরবা খোঙথাংদা
— **শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তেকথরক্কদবগী ঙাইরদুনা লৈহৌরি
অনৌবা য়েন্নিং অমুক চোংলরোইদৌবা
মশা পূম্বা চোকথরদুনা
অকংবা উসাশিংতনা য়োমশিন্দুনা।
অদুঙৈ মনা পূঙনা লৈরিঙৈ
উশা-ৱাশা শিনবা থুংনা পোম্বী চেক্লাশিংগী
কাইদোংফম ওইরদুনা শান্নজরম্মী
কুম্বী কালেন, নোংজু-নুংশা কয়াদসু।
উপাল অসিগী মরুম থুপ্পা
হিংজরম্বা জীবশিংদো কদায়দা চৎখ্রবা,
উপাল অদুসু কংহৌরে, অনৌবা য়েন্নিং
অমুক লাক্লরোই, লমগী চেক্লা
অমতসু লাক্তুনা কাইদোংফম ওইররোই।
মতম অমদা উপাল অসিনা মপূং মরৈ
ফানা লৈরিঙৈ নোংজু নুংশাগী মৈশা
কয়াদগী ঙাকথোকপীরম্নী, ঙসিদি
উপালসু কংলে অনৌবা য়েন্নিংসু লাক্তরে,
ঐগী ৱাখলসু অনৌবা ঈথক
অমা অমুক লাকখিদরে, মঞ্জুনরবা
ফিজেৎনা লৈতেংলদুনা তারমদাই
নুমিৎকী লৈথরক্লবা মঙালদা তপ্পা
থাংলি খোঙথাংসু ইয়ুম মায়কৈ য়েংলদুনা।

## পূক্লিংগী ৱা (৫)
— **নন্দলাল রোয়**

মাইরেম্বম কোইরেং লোংজম থম্বৌ
মহম্মদ আলিমউদ্দিন য়ংমাসো শৈজা
আর কে দরেন্দ্র আর কে জয়চন্দ্র
মণিপুরদা পানখি চীফ মিনিষ্টর ওইখি।
আর কে রনবীর আর বি কোইজম
রিশাং কৈশিং ৱাঙ্গোই নীপামচা
মপুকচেল তীংনা লৈঙাকপা ওইখি
ইবোবীনা মুইভাগী মমু য়ৈথেকখি।
নোংথোনবমগী অঙাংহল মোদিগী লাইধি (ইফিজি)
নহাকথক্তা লোইরে মণিপুর তুম্লে
নুমিৎকীসু তাবগী মতম লৈবনি
চৌক্রিগী মখোঙসু তেকপা নাইবনি।

## গনতন্ত্র
— **তোলচৌ শমজেৎশাবম**

গনতন্ত্র নত্তে তাৎতন্ত্রনি
ঙসিগী লৈঙাক লৈবাকসিগী
ওইরি লৈঙাক মপু
মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা
মমিংদগীনি মীয়াম্না খনবা
খনবা নত্তে লৈবনি
লল্লোনপোৎ ওইনা মীয়াম্বু
মীরেপ ওইরিবা মীশক্লা
তাৎকী ৱাহৈ শীজিন্নরগা
শেঞ্জাও পায়বনা লৈঙাকপা
তাৎতন্ত্র চৎপা লৈবাক্লি।
নীংতম চহীনা হন্থরফাও
থোংমান্ননা হিংমিন্নবা ঙমদ্রি
নুংঙাইবা কাঙলূপ্না স্বর্গপক
অৱাবা কাঙলূপ্না পতাল য়ৌ
য়েংবদা নুংঙাইরিব্রা মসিবু?
লৈরক্তবনি হিংনবা লম্বী
লায়রবা কাঙলূপকী মীয়াম।
পূম্নমক থোকহনবা ঙাক্তনি
শেঞ্জাও পায়বৈ লৈঙাক্লোন্না।
থিমিন্নরসি অনৌবা লৈঙাক্লোন
থোং মান্ননা হিংমিন্নবা য়াবা।

# মঙলাক্লবা



**মতম মতমগী ৱাখল**

**মাখোনমনি মোংসাবা**

মঙলাক্লবসি অৱাবা অমনি। লেঙবা ঙমদে, লাওবা-খোংবা করিমত্তা ঙমদে। মঙলাক্লবদগী মী শিবা ফাওবা য়াওরি। মঙলাক্লবদি তূন্নিঙৈদনি। মঙলাক্লবগী মরম লৈরমগনি। মঙলাক্লবা মতমদা, মঙ অমদি শোয়দনা মঙই। মঙদা খ্বাইদগী নুংঙাইবদি পাইবনি। মঙদা পাইবসি য়ৌনিংবা মফম য়ৌই। অৱাংবদগী পাইথরকপা য়াই। মঙলাক্লগদবা মঙদি নুংঙাইবা নত্তে য়াম্না ৱায়। মঙদা নুংঙাইতবসি মকু মঙনি হায়নবসু য়াওই। অহল-লমনশিংনা থবাক্তা খুৎ থল্লগা তূমগনু হায়নৈ। ঐখোয়গী মীয়াম হৌজিক থবাক্তা খুৎ থল্লগা তূন্নি। মীওইবসিসু খেন্নৈ। লোংলগা তূম্বা হৈনবা, উপ্পগা তূম্বা হৈনবা, তূম্বদা মফি মরোলগা মথোং মরম খঙদনা তূম্বা, তূম্বদা চোইরোল লোনবা, তূম্বদা মখোল হৌনা নাখোকপা, তূম্বদা ময়া ক্রক ক্রক চিক্লগা, চবৎ চবৎ শায়রগা তূম্বা অমদি তূম্বা মতমদা য়াহিপ থিবা অসিনচিংবা মখল মখলনি। মতম পূম্বগী তূমখিবসু লৈরি মসিনা শিবনি।






হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম মঙলাক্লরি। তুল্লসু তূমদ্রসু অনীমক্তা মঙলাক্লরি। লাইওং খঙদে। মাইবা ডাক্তর চঙদে। ইশানা ইশাবু লায়েংজবনি। ইশানা ফার্মাসিদগী হিদাক লৈরগা চানরি। হোলিউদ এক্টর, য়ুল ব্রিনরনা কুম্বা ইংলিস ফিল্ম মমিং চৎখিবা অমা নীংশিংলকই। ৱেষ্ট ৱার্ল্ড কৌই। মী রোবোটকী ৱারীনি। মীনা রোবোট শারগা চাংয়েং তৌই। য়ুল ব্রিনরনা শারিবদু মী রোবোটনি। কাওবোই টুপি উপ্লা, নাকন্দা পিষ্টোল য়ানবনি। মীনা কমান্দ তৌরগা মী রোবোটপু থবক তৌহল্লি। ফত্তবা মী থেংনহল্লি। অফবা মী রোবোটনা, ফত্তবা মী রোবোট ওইরকই, রোবোট শারিবা, রিমোট পায়রিবা মীদা ওনশিল্লকই। রোবোটপু থবক তৌহল্লিবসি শারিবা মী অদুননি। রোবোট শারিবা মী অদুগী খুৎতা রিমোট পায়রগা মহাক্না তৌহন্নিংলিবা অদু নল্লগা তৌহনবনি। রোবোটকা রিমোট পায়রিবা মীগা পাউ ফাওনবনি। ৱেষ্ট ৱার্ল্ড ফিল্মদি রিমোট ফেল ওইরকপগী ৱারীনি। য়ুল ব্রিনরনা কুম্বা ইংলিস ফিল্ম ৱেষ্ট ৱার্ল্ডদু হৌজিক মণিপুরদা অমুক হন্না অহিংবা ফিল্ম ওইনা কন্না উৎলি। নাও সোয়িং হায়বদুনি। নাও সোয়িং হায়না সিনেমা হোলদা থেৎপা উদবসু কুইরে। অদুসু মতাংসিদা নীংশিংলকই।

লমদমসিদা, হৌজিক্কী লৈঙাকসি ফৈ হায়বা মী অমত্তা লৈরল্লোই। লৈঙাক্তা শাওদবা মীসু লৈতে। চৈবা য়াবা চৈরে, ঙাঙবা য়াবা ঙাঙলে। তাগদবনা তারকত্রবদা, ইকায়গদবা মীনা ইকায়রকত্রবদা করিদি তৌনি? করি ষন্নো কাওসু কাওদে, মো লাওনসু খোংদে হায়দুনি। লৈঙাক্তা লৈরিবসি মাগী মাগী কেন্দ্র, পনাশিংদগী মীয়াম্না থাগৎলকপা, ভোট কারকপশিং অদুনা পূল্লগা শেম্বনি। মীয়াম্না পেন্নদ্রিবা, ঙাঙলিবসি অদুগুম্বা ইলেক্টেদ কেন্দিদেটশিং অদুগী মথক্তনি। মীয়াম্না থাগৎখিবা মীওইশিংদা মীচম মীয়ামগী তাইনফম ওইবসি লানগদ্রা? মসিসু অমুক মাগী মাগী কেন্দ্রগী মীয়াম্না য়ানীংদ্রি। কেন্দ্র কেন্দ্রগী ওইনদি কেন্দিদেট অদু ফরম্বসু য়াই অদুগা মণিপুর পূম্বগী ওইনা য়েংলকপদদি থীনবদা, য়ৈবদা মখোল হৌদবা খুনপুং ওইনা মীয়াম্না লৌনরি। অদুদি শাওগদৌরিবা, ঙাঙগদৌরিবসি কনাগী মথক্তনো ৱাহংসি হংবা তারকই। মণিপুরদা স্কোলার য়াম্না লৈ, আইন খঙবা লো মেকরসু য়াম্না লৈ। মখোয়সু ৱা ঙাঙদে। মখোয়গী থম্মোয়দদি লৈঙাকসি পেল্লম্মোই, চিন্দসু পেন্নবা চৈরমগনি। মরন্নাই ওইনা খাঙবা ঙম্নরক্তবদগী মপানথোক্না ঙাঙলিবা, লাওরিবা মীয়াম অসিগা, তূমিন্না তারিবা, য়েংলিবা, খঙলিবা স্কোলারশিংগা অনী অসিনা পুনশিন্নদ্রিবা মখৈদি রোবোটকী সিনেমাসি লোইখিরোই।

মীয়াম পূনশিন্নবা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদ্রিবা মখৈ চৎথরিবা মওং অসি মায় পাকলোই হায়বসিদি চপ মান্ননা অদুম ঙাঙনৈ। পুনশিন্নবদি অদুম য়াদে। পূনশিন্নগী মমিসু উবা ফংদে। অহুমশুবা নুপীলান বার্ত্তণ তৌবনি, জুন ১৮ থোকলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়বগুম্বা তাবদা ৱাজবা, হায়হন্নীংদবা ৱাসু য়াম্না ঙাঙনৈ। ঐখোয় নুপীলান অমুক হন্না লমদমসিদা থোকহন্নীংদে, জুন ১৮গী থৌদোকসু অমুক হল্লকহনবা পামদে অদুবু মীয়াম্না করম্বা অকনবা ইহৌ অমনো খঙদবা, হৌরক্লবা থৌওংদি লেপ্তুনা উরি। মসিদনি ঐখোয় মঙলাক্লরি হায়জরিবসি।

মঙলাক্লরবদি মশা নোমদুনা হৌদোকপীবা চংঙি। হৌদোক্লিবা মীদু অরানবা তাবা চুমব্রা? অহানবদদি তূন্নিবা লৈঙাকসিখক মঙলাক্লরম্মী হৌজিক্তি হৌদোক্লিবা মীয়ামসু মঙলাক্লরে। ঐখোয়গী মীয়াম চিনফা পুবা হিদাক খর চারগা ইশা ইথন্তা লায়েংজরি। ঐখোয়গী হিদাক্তি-ৱাকৎ মীফম ফম্বা, কেন্দল থানবা, খুৎথাং চারা হেনবা, মৈরাগী খোঙচৎ অসিনা ওইজরি। মীয়ামগীদি মসি নৎত্রদি করিদি তৌনি? লায়েংবীনবা লৈত্রবা, নুংঙাইতবগী লাইওং হায়জবদা তাবীদ্রদি অখঙবা, অঙম্বা পান্থৈ থিবা তাবনি।

ঐখোয়গী মীয়ামসে আইন (লো) ঙাইরগা লৈবগুম তৌই। আইন খঙবগা আইন খঙদবা কুকিশিংগা মুক্লরিবসি অরেম্বনি। কুকিদি উকিল তমদে। কুকি উকিল, কুকি ইঞ্জিনিয়র তম্নদে। মখোয়গী আইন লৈতে। মখোয়দা থক্সি- খাসি, অচোপ-অরেম হায়বা অমা লৈতে। কুকিবু নাও চাউহল্লিবসি কনাননো ইখঙদা খঙনরবনি। লমদমসিদা কয়ারক এম এল এ মন্ত্রি ওইখ্রবা ইকায় খুম্নজরবা পোলিটিসিয়ান, অহল-লমন হিংলগা লৈবা য়াওরি। মখোয়গী ৱাসু হৌজিক মীয়াম্না তানীংঙি। হৌজিক্তি মীডিয়াদা মখোয়সু থোকলক্তুনা ৱা ঙাঙহনবা চুমগনি।

নৌনা কারকপা হৌজিক্কী এম এল এ শিংনা, মতম অমা কয়ারক কারকখ্রবা, লৈঙাক পায়বীরকখ্রবশিংগী মফমদগী লৈঙাকলোন তম্বসু চুম্মী। মখোয়দগী পাউতাক লৌবা কান্নগনি। উৱাকোন্থৌবগী মচা নাউথিংখোংনা কংলৈ নিংথৌ ওইনবা ফম্বাল কাদ্রিঙৈদা লুৱাং নিংথৌগী মফমদগী লৈঙাকলোন তমখি। লৈঙাকলোন্দি ঙল্লিঙৈদগী লমদমসিদা তম্বা চৎনরকই। পৈশানা লৈঙাকলোনদি লৈবা য়ারোই। লৈঙাকলোন্দি মীয়ামগা নক্লবা, মীয়ামগী ৱা তাবা চংঙি। ঐনা হায়বা মীয়াম্না তাগদবনি খল্লগদি লৈঙাকলোন অদুগী মপূন্সি শাংলোই।

মণিপুর সরকারগীসু তৌরোইদবা ময়াম অমা মীয়ামগী মফমদা তোয়না তৌরি। ঈরাং খজিক হৌরকপদা ইন্টরনেট হেক থিংজিনবা, মীচম মীয়ামদা মোক বোম, নোংমৈ কাপশিনবা, র্কফিয়ু থমজিনবা অসি তৌরি। ইন্টরনেট অসিনা হেন্না মৈ য়াংশিনবদা মতেং ওইনি হায়না লৈঙাক্না খনবগী মওং অমা উই। ইন্টরনেট থিংলিবসি কনাগুম্বা মীওই খরগী শেন্দানফম ওইনবনি।

ইন্টরনেট থিংলগা হাংদোক্লবা হোৎনবদা শেন লৌরিবশিং অসিসু তৌফম থোক্তে। মখোয়গুম্বা খর য়াওরকপসি মীয়ামগী খন্দবনি। ঈরাং মরকসিদা, মশাগীতা খনবা ময়াম অমা মাইকৈ খুদিংমক্তা য়াওরকপসি লাইবক থিবনি। ইহৌগী নমাদা, মীগী য়ূম মৈ থাবা, কাদগী পোৎ-চৈ পুখিবগী পাউসু তায় মসি মী মচাগী ৱাখলনি।

পাউলিয়নলান কৌবা কুকি এম এল এ অমনা মৈতৈগী মথক্তা লমন খুম্বনি, মখোয়না হাৎপনি হায়বা ঙল্লবা ফাওবদা ঐখোয়গী এম এল এ, মন্ত্রি অমদি স্পিকর ফাওবনা মহাক্কী মথক্তা পাউখুম খুমদবসি করিগীনো? অঙাং মচা অমদি নুপী হাৎলিবা কুকিশিংগী মথক্তা হৌজিক ফাওবা করিমত্তা তৌবা ঙমদনা লৈবসি অঙকপনি। কর্ফিয়ু থমজিনবদগী মহেশঙশিং থিংজিনবসিসু কুইমল্লে, অথুবদা হাংদোকপীয়ু। মহেশঙশিং লাইরিক তম্বা কাহনবীয়ু। ইন্টরনেটসু থিংজিনবা, কর্ফিয়ুসু থমজিনবা, অফস্পাসু থমজিনবা অসিমক্তি মীয়ামসি পুল্লপ ৱাহল্লগে, লোইশিল্লগে খনবগা মান্নৈ। মচি মচিদা খন্নরগা লৈবসি কুইমল্লে। হৌজিক অপূনবগী ওইবা মীফম অমা পাংথোক্তুনা খন্নরগা অমত্তা ওইনা চঙশিন্নবগী অরোয়বা ৱারেপ অমা অথুবদা লৌবা মথৌ তারে। অপূনবগী ওইবা খন্নবসিদি থেংথবা চুমদ্রে, কুইথরক্লগদি মীয়ামগী মরক্তা ৱাখল মান্নরক্তবা, মাগী মাগী মীচং চঙনরক্লবগী, খুদোং চাবা লৌনরক্লবগী, খাইবুং তানরক্লবা, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মূক্নরক্লবগী মরম ওইরকপ য়াই। কুকিনা নোকখিনবনি। ঐখোয় পূনশিন্নবা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। অথুবদা মীয়ামগী অপূনবা মীফম শীনবিরো। জি.সি.তোংব্রাগী লৈপাক হৌবা অন্দোলন হায়বদু মতাংসিদা নীংশিংবা চুমগনি। ●

ৱারী ককনাউ

# মতম কুইরবগী তুংদা-৫

ইচিক-চিকপা লম্বীগী মতাই অমদনি। মীসু কয়া চৎনদে। নানখ্রবা তাঙখ্রবা কার অমা অমম্বা গ্লাসনা মপূং ফানা চিংখৎলদুনা খুমু কানা লীরবা শাবী-শানৌ অনীদি নুংশি-নুংওন্না মশা পূম্বা পঙথরদুনা ৱারী শারি। অমনা অমবু কয়ামুক য়াম্না থাজনরবনো হায়বগী চাংয়েং তৌনরি। অরিবা ৱারী কয়াসু পোপথোক্লরল্লি। পোপথোক-পোপথোক্লগা হৌজিক্তদা নুংশি মনম চেনবা হেল্লকপদৌনা অনীমক্কী থম্মোয়দা ফাওনরি। মখোয়গী ৱারী মরক্তা লম্বীদুদা গাড়ী মচা থৌবা অমা অনীসু দু-দু থৌরগা চৎনখি।

“মতমদো নুংশিদ্রা?” নুপাদুনা কেথরগা হংলকই।

“করম্বা মতম?” নুপীদুনা মরৈ কোল্লগা মমিৎকদু উইথরপ হংজরকই।

“অদুঙৈ কৃষ্ণ জন্ম নুমিত্তা পাৎ অমদা হি হোন্দুনা থরো থম্বাল হেকপা চৎখিবদো?

“ঔ-ঔ নীংশিংলক্লে, ঐনা লৈনা ১০৮গী ফুগাইনা শাৎলবা থম্বাল অমা হেক্কে হায়না লাম্বদা ইবানিনা তোংবা হিদু লুপকে তৌখিবদো?”

“অদুগা ঐনা নঙগী নখূৎ পায়দুনা ঈশিংদা তাগদবদগী চিংখৎখিবদো”

“অদুদা ঐনা নঙগী নতম্পাক্তা তুশিনখিবদো, ঐনা ইকায়খিবদো”

“ঐনা ইকায়জরবী নহাকপু পেন্না য়েংজখিবদো, অদুগা ঐনা লাম্মগা হেল্লকপা শাৎকায়বা থম্বালদুনা ইবানিগী ইথক্তা লৈনা চোইনা কেনখিবদো”

“ঐনা নঙবু অমুক লেংজুম পায়দুনা চিংখৎপীখিবদো”

“ঐনা হৌগৎলগা ফনা কুইনা ৱা ঙাঙখিদবদো”

“ঐসু ঙাঙখিদবদো”

“হিদুনা অসুম-অসুম পুশিল্লক্তুনা পাৎপান য়ৌরক্লবদা নঙনা কাখৎলসি, তপ্না কাউকো, অমুক তুশিন্নি হায়খিবদো”

“অদুদা ইবান্নিনা অমুক হৌনা নোকখিবদো”

“ইবানিনা কাখৎলকপদা হি হোনবা নুপাদুনা অমুক শেল পীরমদ্রে হায়রকপদা ইবানিনা অমুক কাউইহে হায়রগা নোকখিবদো”

“নীংশিংলগা হৌজিক নোক্লিংলক্ত্রা?”

“হৌজিক্তি নোকনীংদ্রে”

“করিগী?”

“ইশাদা পাখৎপা অমা য়াওই”

“মরমদি?”

“ঐখোয় অনীনা হৌজিক পাখঙ-লৈশাবী শাদুনা লম্বীগী মতাইসিদা লৈরিসি অউবা কনানা করি হায়না খল্লমগনি হায়না”

“ঐদি তাঞ্জাসিদা মী ময়াম অমা চঙশিল্লক্তুনা ফারগা কৈন্যা কৎপীরদি নুংঙাইনি”

“ইহ! অদু য়াম পাম্ব্রা?”

“পামদননে হায়রিসে”

“ঙমগদ্রা?”

“ঙম্মীনা”

“ঙম্নিকো?”

“ঙমনেমী”

“চেল্লোইকো”

“শুকচেন চেনবীরোই”

“অদু ওইরদি মীনা ফাদ্রসু ইশা-ইশা য়ান্ননা চেল্লসিদনা কাইদনোমা?”

“অদুসু য়াজাৎনি”

“খঙঙে ইবুংঙো খদ্রক তৌরনু, ঙমসু-ঙম্মোইদবদা”

“ফরেনে অদুদি নঙ হয়েংসি থোরকও মতম খরা দেল্লীদা ওইনা থৈরুরসি, ঐ ঙসি টিকেট কল্লগে য়াব্রা?”

“চান্ননা হায়নে”

“হায়রবনি”

“মতম খরা থৈখৈ থৈরুরগা হল্লক্লগা অমুক নুপা ময়ূমদা চংঙো হায়রদি কমাই তৌদুইবা?”

“অদুবু ঐনা হায়নি খনব্রা?”

“খঙদে নুপানিদনা, ঙাইহাক্কী ৱা য়াম ঙাঙবা নুপানি”

“ফরে-ফরে তরেৎ তরা থোক্লা খন্নখিসি, ঐদি রেদিনি হায়বসিমা কাউগনুকো, অদু ৱা অমা হায়গে?

“কৈ ৱানো?”

“নঙগী শম্বু অমা য়াম্না চাক্লা থুংখিবদু লৈরিব্রা?

“কাইদা?”

“খৌরিগী খিত্তং হাইথরকপা ঙকশম পরিংদা”

“লৈরি”

“অদু য়াম চাকপা শম্বুনি”

“খঙজৈ ইঙো, অদুনা ঐসু নান-নান্দুনা খাক্লিবনি”

“ঙসি লৌহৌরগে?”

“য়ারোইহে”

“পীরম্মো”

“শম্বুবু কমাইনা পীরমদুইনো, ঙাওব্রো?”

“ঙাওরে ঙাওদনা হায়রিনে”

“চৎলসি”

“চেল্লসি হায়রা?”

“নত্তে য়ূমদা হল্লসি, মতমসে য়াম থেংখ্রে”

“কমাইনা খঙলিবা?”

“অয়ূক্তা থাদোকখিবা ষণলুপশিং মবুক থন্না চারগা ময়ূম মায়কৈ পাংলক্লিসিদি”

“লিটরেচর ফাওদি শেৎলিহে, হল্লমদ্রিনে”

“থায়নগীদু অমত্তা হন্দ্রি”

খুমু কারবা অনীদু মমিৎনা মুন্না য়েংনরগা মরৌ লৈবা মীনোক অমমম পেন্না নোকমিন্নখিমাল্লে। ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

# মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’
# (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৩৭২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্সু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

থোংলেল তিংবী অমা নেমনা শাবদি। পোইরৈ খুলগী চনুনা। তয়ুম নাই চনু খুলজনা লাননসুনো। মুংবী লম লৈবাকনা পাকপদি। য়োবু ইঙাইরোই লোইনবা। ইপ্বা নিংথৌ খোংলোইননা চৎমিননসে হায়না। মুংবী লমবী পাকনা চাউনা শেমলে। খোংলেল তিংবী থোংলেল ৱানা শাখিয়ে। অদু নুমিৎতগী। খুরাই লমলেল লমপাক। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
# (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯳꯷꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯇꯤꯡꯕꯤ ꯑꯃꯥ ꯅꯦꯃꯅꯥ ꯁꯥꯕꯗꯤ꯫ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯈꯨꯂꯒꯤ ꯆꯅꯨꯅꯥ꯫ ꯇꯌꯨꯝ ꯅꯥꯏ ꯆꯅꯨ ꯈꯨꯂꯖꯅꯥ ꯂꯥꯟꯅꯁꯨꯅꯣ꯫ ꯃꯨꯡꯕꯤ ꯂꯝ ꯂꯩꯕꯥꯛꯅꯥ ꯄꯥꯛꯄꯗꯤ꯫ ꯌꯣꯕꯨ ꯏꯉꯥꯏꯔꯣꯏ ꯂꯣꯏꯅꯕꯥ꯫ ꯏꯄꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯈꯣꯡꯂꯣꯏꯅꯅꯥ ꯆꯠꯃꯤꯅꯅꯁꯦ ꯍꯥꯌꯅꯥ꯫ ꯃꯨꯡꯕꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯄꯥꯛꯅꯥ ꯆꯥꯎꯅꯥ ꯁꯦꯝꯂꯦ꯫ ꯈꯣꯡꯂꯦꯜ ꯇꯤꯡꯕꯤ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯋꯥꯅꯥ ꯁꯥꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫ ꯈꯨꯔꯥꯏ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯂꯝꯄꯥꯛ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।